# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ড্রাফট এন.ই.সি ভিজন ২০৪৭ তা মণিপুরগী ত্রাইবেল কম্ম্যুনিতিশিংগী মরমদা অরানবা ৱাফমশিং য়ারম্বদগী চৎনররোই হায়রি।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী অৱাবা কোকবা হেলথ অমদি ইজ্‌কেসনগী গ্রিভান্স সেল অমা হাংদোক্লে।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না ডোক্তরশিংবু ঙাকপী শেনবীনবগীদমক দরকার লৈবা থবক পুমমক পায়খৎকনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

------

সিএম (এল) ঃ ড্রাফট এন.ই.সি ভিজন ২০৪৭ চৎনররোই হায়রি। ড্রাফট অসিগী অহুমসুবা চেপ্তরদা মণিপুরগী ত্রাইবেল কম্ম্যুনিতিশিংগী মরমদা অরানবা ৱাফমশিং হাপচিল্লম্বা থেংনবদগী দোনর মন্ত্রালয়না মসি চৎনহন্দনবা ৱারেপ লৌরকপনি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না কেন্দ্রগী কম্ম্যুনিকেসন্স অমসুং দোনর মন্ত্রি জে.এম. সিন্দিয়া অমদি মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা ড্রাফট অসিদা য়াওরিবা অরানবা ৱাফমশিং শেমদোকবা তকশিনখি। দোনর মন্ত্রালয়না ড্রাফট এন.ই.সি ভিজন২০৪৭ অসি শেমদোক্লগনি হায়রি।

সিএম (এল)ঃ    মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী অৱাবা কোকবা হেলথ অমদি ইজ্কেসনগী গ্রিভান্স সেল অমা হাংদোক্লে। মসিদা মীয়ামা পাউ ফাওনদুনা মখোয়না থেংরিবা খুদোংচাদবশিং তান্নবা য়াগনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টকী বসশিংদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা লেমা তোংবা য়ানবা সরকারনা শিল্লি।

অমরোমদা, শ্রী বিরেন্না থ্রি কোরগী জি.ও.সি, লেফটনেন্ট জেনেরেল অভিজিৎ এস. পেনধরকর অমসুং আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী মেজর জেনেরেল রভরুপকা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম, ৱার ওন ড্রগস, সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চংখরিবা থিবা হুম্বগী থবকশিং অমসুং মণিপুরদা অথুবা মতমদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবগী ৱাফম কয়া খন্নখি। লেফটনেন্ট জেনেরেল অভিজিৎনা থ্রি কোরগী অনৌবা জি.ও.সি ওইনা থৌ পুরকপদা মুখ্য মন্ত্রিনা বিরেন্না নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

ককচিং (এল) ঃ   নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ সোসিয়েল দিফেন্স, ষ্টেট লেবেল কোওর্দিনেতিং এজেন্সি অমসুং নেচর কিয়র এসোসিয়েসন ককচিংনা পুন্না শিনদুনা নিশা শিজিন্নদনবগী মতাংদা নোংমগী মহৈরোইশিংবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙরাং ৱাবগাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা সিম্পোজিয়ম অমসু পাঙথোকখি। মদুদা মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদসু মনা য়েন্থোকখি।

হেলথ ঃ    কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না ডোক্তরশিংবু ঙাকপী শেনবীনবগীদমক দরকার লৈবা থবক পুমমক পায়খৎকনি হায়না থাজবা পীখ্রে। ৱাফম অসিগী

মতাংদা কমিতি অমা শেমদুনা অনা লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী পুন্সি অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অকনবা থবক লৌখৎলগনি। মসিগীদমক মরী লৈনবা মাওইশিং অমদি রাজ্য সরকারশিংদগীসু সজেসনশিং লৌগনি।

কোলকাতাগী আর.জি.কর মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালদা রেসিদেন্ট ডোক্তর অমা হাৎখিবগী ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা ফেদরেসন ওফ রেসিদেন্ট ডোক্তর এসোসিয়েসন, ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন অমসুং রেসিদেন্ট ডোক্তরস এসোসিয়েসন ওফ গভর্নমেন্টেল মেদিকেল কলেজেস এন্দ হোস্পিতালসকী মীহুৎশিংনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দাগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মদুদা এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংনা অনা লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু থবক মফমদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অকনবা থবক লৌখৎপীনবা তকশিনখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- গ্লোবেল সাউথকী লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা অমনা অমগী মতেং পাংনবগী তঙাইফদবা লৈ।

ভারচুয়েল ওইনা পাঙথোকপা ভোইস ওফ দ গ্লোবেল সাউথকী অহুম্লক শুবা মীফম হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মালেমগী ওইনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা শিংনবশিংগী মতাংদসু প্রধান মন্ত্রিনা ৱাফম কয়াসু ফোংদোকখি। কোবিদ নাইন্তিন মতমদসু লৈবাকশিং অসিদা অচৌবা শিংনবা কয়া থেংনখি। মহাকা হায়-হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা ক্লাইমেত চেঞ্জ, হেলথ, ফুড অমসুং ইনর্জি সেক্যুরিতিগী শিংনবা কয়া মায়োকরি। তেরোরিজম, এক্সত্রিমিজম অমসুং সেপরেটিজমনা লৈবাকশিং অসিদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরি।

এন ইম্পৱারদ গ্লোবেল সাউথ ফোর এ সস্টেনেবল ফ্যুচর হায়বা হিরমদা মীফম অসি পাঙথোকপনি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি চেন্নাইদা ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দগী অনৌবা ষ্টেট ওফ দ আর্থ মেরিটাইম রেস্ক্যু কোওর্দিনেসন সেন্তর হাংদোক্কনি। মহাকা চেন্নাইদা মেরিন পোল্লুসন রেস্পোন্স সেন্তর অমসুং পুদুচেরিদা কোষ্ট গার্দ এয়ার এনক্লেভ হাংদোক্কনি। চেন্নাই হিথাংফমদা লৈবা পোল্লুসন সেন্তর অসিনা সমুদ্রগী ঈশিং মোৎশিনবগী চাং হন্থহনবা ঙম্লগনি। তুংদা, শ্রী রাজনাথ সিংহনা লৈখিদ্রবা তামিলনাদুগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি এম. করুনানিধি ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরগা মরী লৈননা শেল ময়েক অমা পুথোক্কনি।

বিজেপি ঃ বি.জে.পিগী নেসনেল ওফিস বিয়াররশিংগী মীফম অমা ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্তুনা দল অসিগী মেম্বরসিপ দ্রাইভকী মতাংদা খন্নখ্রে।

মীফম অসিদা দলগী প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দানা সভাপতি ওইখি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি লুচিংবা অমিত সাহ অমদি দলগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা মীখল অসিদা শরুক য়াখি। মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা দল অসিগী ৱাঙাংলোই সম্বিৎ পত্রনা হায়- দল অসিদা য়াওননবগী মেম্বরসিপ দ্রাইভ মথং থাগী ১ দগী হৌরগনি। মহাকা হায়- খোঙথাং অসিগী পান্দমদি লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ১০ হেন্না নৌনা দল অসিগী মেম্বর ওইহনবনি। মীখল পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রবা রাজ্যশিংগী ওইনদি খোঙথাং অসি মীখল লোইরবা মতুংদা পাঙথোক্কনি।

মোংকি পোক্স ঃ ভারত্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মোংকি পোক্সনা নাবা মীওই অমত্তা থেংনদ্রি হায়না কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না হায়রি । অদুমওইনমক, লায়না অসিদগী মীয়ামা চেকশিন্না লৈবীনবা ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন্না ফোংদোরক্লিবা ৱাফম অসিগী য়েংলগা নিউ দিল্লিদা হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা সভাপতি ওইনা মোংকি পোক্স থেংননবা শেম শানবগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লায়না অসি শন্দোরকপা মতমদা থিংহৌনবা অমসুং মসিদগী ঙাকথোকবা লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা নিংথিনা খন্নখি।

করিগুম্বা লায়না অসি ভারত্তা থেংনরবদি এয়ারপোর্ট, হিথাংফমশিং অমদি কাংফাল লম্বীগী মরুওইবা মফম কয়াদা লৌখৎকদবা চেকশিন থোরাংশিং, লায়না অসি খঙদোকবা টেষ্ট তৌগদবা লেবোরেটরিশিং অমসুং লায়না অসি লায়েংবগী মতাংদসু মীফম অদুদা খন্নখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ১৮ শুবা দি.এস.এ ত্রোফি ইনভিটেসন ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪ ঙসিদগী হৌরগনি। দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা তুরনামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ১৪ না শরুক য়াগনি।

জিৎকুন্দো (এল)ঃ চহি অসিগী নম্বেবর ২ দগী উজবেকিস্তানগী টস্কেন্ট সিতিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড জিৎকুন্দো চেম্পিয়নসিপতা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াননবা কিলোগ্রাম ৬০ কাংলুপ্তা থোকচোম তরুনকুমার মৈতৈ অমসুং কিলোগ্রাম ৮০ গী মখাদা লোংজম মঙালসনা মৈতৈ খল্লক্লে । মসিগী মথক্তা সিফু সি.ঐচ. প্রেমচন্দ্র সিংহবু ভারত টিমগী কোওর্দিনেতর ওইনা খল্লক্লে হায়রি।

পেরালিম্পিক্স ঃ পেরিস পেরালিম্পিক্সকী হৌদোকপগী থৌরমদা ভারতকী কন্টিঞ্জেন্টকী ওইনা টোকিও পেরালিম্পিক্সতা সনাগী তকমান লৌখ্রবা সুমিৎ অনতিম অমসুং সোট পুট শান্নরোই ভগ্যশ্রী যাদবনা ফ্লেগ বিয়ারর ওইরগনি।

গেমস অসি থা অসিগী ২৮ দগী মথং থাগী ৮ ফাওবা চত্থগনি। পেরিস পেরালিম্পিক্সতা ভারতকী ওইনা পুন্না এথলিট ৮৪ না শরুক য়াগনি। মসিনা লৈবাক অসিগী ওইনা পেরালিম্পিক্স গেমস অমদা শান্নরোই মশিং খ্বাইদগী য়ামা শরুক য়াবা কন্টিঞ্জেন্ট ওইরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিষ্টরনা আই.দি.পি অমসুং রিলিফ কমিতিগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা অমসুং আই.এম.এগী মখাদা ডোক্তরশিংনা থবক লেপ্পগী চংশিল্লিবা খোঙজংদা মণিপুরগী ডোক্তরশিংনা শরুক য়াখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সি.এমনা আই.দি.পি অমসুং রিলিফ কমিতিগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নখ্রে, হেলথ অমসুং ইজ্কেসনগী গ্রিভান্সেস সেল হাংদোকখ্রে হায়বা পাউনা মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। খুগা রিজার্ভ ফোরেষ্ট লেন্দগী এরিয়াদা কুকিশিংনা লম য়োনবগী ৱাথোক চুরাচান্দপুর পুলিসনা এফ.আই.আর লৌখৎখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মৌমিতা মীহাৎ- মণিপুরদসু ডোক্তরশিং অমদি মেদিকেল ষ্টাফশিংনা প্রোটেক্ট তৌখিবগী পাউনা নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

আই.এম.এগী লমজিং মখাদা ডোক্তরশিংনা মণিপ্রদসু খোঙজং চংশিনখি, ডোক্তরশিংগী থবক লেপ্পগী খোঙজংনা অনা লায়েংগী লমদা চাউনা অকায়বা থোকহনখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী, পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম মীয়ামদা খঙহন্নবা থৌরম পাঙথোকখ্রে, মরী লৈনবশিংনা লো অহুম অসিগী মনুংদা থবক তৌগদবনি হায়না চীফ জষ্টিস সিধার্থ ম্রিদুলনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

অম্ফাগী ওফিসিয়েলশিং এন্তিসিপেটরি বেল পীখিবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা বঙ্কর থুগাইখিবা অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবগী পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এন.ই.সি ভিজন ২০৪৭ কী চৎনহনখিদ্রে হায়না পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোংকি পোক্স ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন্না গ্লোবেল হেলথ ইম্মরজেন্সি লাউথোকখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কদাংবন্দ গভর্নমেন্ট হাইস্কুল লানশঙ অমগুম চলাইদুনা লৈহৌরি, খুলগী অমত্তা ঙাইরবা স্কুল অসিদা লৈঙাক্কী ওজা মরিখক লৈরি হায়বা পাউনা সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------